ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯴, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯲꯷ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, ফেব্রুৱারী ২৪, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ৩২৭শুবা মশীং

# ইস্যুগা কেম্প্যেনগা শেৎতোক্নবা

## করম থোক্লগবা মণিপুর

লেপ্তুনা চেন্থরকপা মতমগী ঈচেলনা পুরক্তুনা তাঙ্কক অনীগী মণিপুরগী মীখলগী ভোট থাদনগদবা মতম নকশিল্লক্লে। ফেব্রুৱারী ২৮গী অহানবা তাঙ্কক্কীদি নুমিৎ হুমনিদা ঙাইরে। মরিনিশুবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ৭তগী ভোট থাদনরগনি। অদুগা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলসিগী অহানবা তাঙ্কক্কী ইলেক্সন কেম্প্যেননা ভোট থাদনগদবা পুংফমগী মমাঙ পুং ৪৮ ৱাৎলিঙৈদা অরোইবা মতম ওইগদৌরিবনি, লোইশিনগদৌরিবনি। মসিনা মরম ওইদুনা হৌজিক মখল-মখা অয়াম্বা কেম্প্যেনগী থবকশিং খম থেংনা কল্লে। ভোট খোম্বগী থবক পন্দোম লোম্লে। পোলিটিকেল পার্টি অমসুং কেন্দিদেটশিংনা ঙমজবা, অরৈবা পাঙ্গল লৌশিং পুথোক্নদুনা কেম্প্যেন চথনরে। তৌসনু, পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলসিগী তৌফম থোকপনি, হৌনবীনি। অদুবু অনৌবা মীখলসিগী মতুংদা লিংলক্কদবা অনৌবা লৈঙাক্না মণিপুর মীয়ামগীদমক করি তৌরক্কদগে হায়বসিদি হৌজিক ফাওবদা পাউখুম ফংদ্রিবা ৱাহং ওইরি। মসিগী মরম ময়াম লৈ। মরমশিং অদুগী মনুংদা পাঙথোক্লগদবা তাঙ্কক অনীসিগী মীখলসিগী মতুংদা করম্বা পার্টিনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংগদগে হায়বা খঙদ্রি। পার্টি অমত্তনা লৈঙাক শেম্বা য়াবগী মেজিক নম্বর শুনা কারক্কদ্রা হায়বদু খঙদ্রিবনা মীয়ামগী লৈঙাক অমদি লৈতবা য়াদবনিনা লৈরক্কদবা লৈঙাক্তু করম করম্বা পার্টিশিংগী চুংশিন্নবা লৈঙাক ওইরক্কদগে হায়বদুসু খঙদ্রি। মরম অসিনদি মণিপুর মীয়ামগী মথংগী চহী ৫গী মরাইবক করি ওইগদগে হায়বদু খঙবা ঙমদবনি। হোয়, তৌববুদি তাঙ্কক অনীমক্কী মীখলগী ভোট থাদনরবা মতুং কাউন্টিং চথরগা লাউথোরকপা রিজল্টদগীবুদি কনানা কনানো হায়বদু চপ চানা খঙগদৌরিবনি।

মসিনা মসি ওইরবসু হৌজিক ভোট থাদনদ্রিবা মতম অসিদা মাঙজৌনন্না খরমখৈদি লেপথোকপা ঙম্লে, লাকশিন্নবা ঙম্লে। মতাংসিদনি মণিপুর মীয়ামগী মথংগী চহী ৫গী লাইবক করম থোক্লগবনো হায়বগী ৱাফম লাক্লিবা। মরমদি পার্টি অমগা অমগা শকওং-শক্তা, কুচু-কুম্মেন মান্নদে। ৱাখল্লোন খেন্নে, পান্দম মান্নদে। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী মাঙওইননা শকথনরকপা ৱাশক পরেং খেন্নে। মীখলসিনা তৌগনি, পাঙথোক্কনি অমসুং পায়খৎকনি হায়বা ৱাফম ময়াম্নবুদি পীকখ্রবা মণিপুরসি পীক থল্লে। অদুবু লুরিবদি পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্না শক্নরক্লিবা ৱাশকশিং অসিদা হৌজিক মণিপুরগী মীয়াম্না পাম্নবা, ফংনীংবা, ওইহন্নীংবা ইস্যু খরগী মতাংদদি পার্টি পূম্নমক্কী মায়কৈদগী শুনা পল্লক্ত্রি। খরা পন্নরকপা য়াওরবসু নাখৈ শেংদবা য়াওরি, থয়াইননা লৈবা য়াওরি। ওইরিবা ফীভমসিদা মান্নদবা পার্টিশিং অমুক পূনশিন্নরক্লগনা কমদৌবা? মরু ওইবা ইস্যু খরদা চপ চাবা শক্তম অমা পোলিটিকেল পার্টি, মখোয়গী মীরেপশিং অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেটশিংগী মফমদগীদি ইস্যুগা কেম্প্যেনগা তোঙান-তোঙান তানা শেৎতোক্নরকপনা, শম্নহল্লক্তবনা লৈখাইতাদ্রি। অদুবু ওইরিবা ফীভমসিদি ভোটরশিংনা মরাইবক্কীনি হায়দুনা খন্দোকপা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ অমমুক লৈত্রে। অদু ওইরবসু ভোট থাদগদবা ভোটরশিংনা খূকউ শেলহৌগদবদি করম্বা মীরেপ্তা ভোট পীদুনা মখোয় মখোয়গী মীহুৎ ওইহনগদগে হায়বসিনি। তশেংনমক হৌজিক্তি মতাংসিদা ভোটরশিংনা চেকশিঞ্জহৌবা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী অমমুক লৈত্রে। মতাংসি অরাইবা, থরেক-থরেক তৌবা য়াবা মতাং নত্তে। য়াম্না লুবা তাঞ্জানি। মসিদা ভোটর মীয়াম শেল অমসুং মসল পৱারনা হুমদুনা পুহনখিদনবা হোৎনহৌগদবনি। মীয়ামগী পাউখোল্লোই ওইবগী ফজরবা মায়খুম উপ্পগা মনুংদা হোত্রোং হোদুনা থোরকপা মীরেপশিং মশক মুন্না খঙদোক্লগা নাকলদা ইন্থোক্লগা থল্লম্মু। লৈবাক মীয়ামগী করিগুম্বা খরদংদা ওইরবসু তৌহৌগে খনবা, তৌজনীংবশিং মনতিক্নদনা খলহল্লগা থাগৎহৌবা চুমগনি। হুরানবদা ছো শিন্নবগী ফীভমদুদি হন্দক্তি অমুক হন্না থোকহল্লগুমসি। চহী ৫গী থবকনি, হন্দোক-হঞ্জিন তৌবা য়াবা নত্তে। মীয়াম ভোটরশিং অমুক হন্না পঙথরগুমসি হায়নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৬

১) ***''পত্তুম্মাগী হামেঙ''*** হায়বা মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অদুগী অইবা কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

২) **''মফম খঙদনা/মাঙখ্রবা/ঐগী ইমি,/হায়যু/কনানা করম্না মূত্থৎখিবনো নঙবু/ঐগী লৈমায়দগী।''** শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংদগী লৌথোকপনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৩) মপান মণিপুরগী অইবা অমনা ইবা লমকোয় ৱারীগী লাইরিকনি **''মালেমদা তোমথীল ঙাল্লিবী বাহরেন''** হায়বসি। অইবসি কনানো?

৪) ১৯৬৭ ইংদা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিকনি **''নোংদম''** হায়বসি। লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) ***''মশাবী লাইরেন ঙাংঙোই য়োইমোংবনা মশানৌদা পাওমেলঙামএ। ইশানৌ য়োইহৈতোন তাওথিংমাংও, নহান নোং ইপল পলেম ইমা নোংমোইনু অহোংবীনা তুশারমপপু লৈএ। শানৌ ইচিল ইনাওতি মোংবা অমরক তুতেংহৌসে।''*** ৱাহৈ পরেং খরসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৬৫

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

ঙসিদি খরা ঙাখৎলগা ইশাগা হকথেংননা থেংনরকখিবা অকি তুজুং পোকপা থৌদোক-ৱাথোক খরা মীয়ামদা নীংশিং পরৈ লাক্তুনা পাউদমজগে। কাচিন কোয়া য়ৌনা নীংশিংলসু মফম মতম অমদি মীশক পন্না পাউদম্বগী খুদোং চাদবদি লৈগনি। অদুনা থৌদোকশিং অদুগী চাওরাকপা মশক অমত্তং মীয়ামদা থমজরগা, মতমদুগী খুন্নাইরোল অদু পূন্না নীংশিংমিন্নবদা মতেং ওইহঞ্জনীংবদগীনি হায়না লৌবীয়ু। মসিসু নুংঙাইগনি হায়না খল্লি। মরমদি মতম মতমগী থৌদোক ৱাথোক্কা, মতমদুগী মীশিংগী ৱাখল অমদি পুন্সি মহিংগা য়াম্না মরী লৈনৈ।

শুমাং লীলা হায়বসিনা মীয়ামদা অমদি খুন্নাইরোলগী পুন্সি শাগৎপদা অচৌবা মতেং পাংলি হায়না লৌরগসু, মসি মীয়াম্না ইরায় হেক লায়না হায়নবা হরাও-কুম্মৈ হায়দুগী মনুং চল্লি হায়না খল্লি। অদুনা হৌজিকসু লমদমসিগী ওইবা থিংদোক থিংজিন, বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক্কুম্বা হেক লাকপদা পুং অসুক্তগী অসুক ফাওবা হরাও কুম্মৈ থিংলে হায়না হেক হেক হায়বীবদা, কুম্মৈগী মমিং মথা পন্না নোটিস থোক্ত্রবসু শুমাং লীলাসিসু থিংজিনবীবদা হেক হেক কোনশিনবীদুনা থিংজিনবীবদা য়াওরি। অদুনা মরিপুরদা বন্দগুম্বা অথিং অরাক হেক লৈরিখৈ শুমাং লীলাগী মীহুনসু হেক হেক চপ চপ লেপ্পী। শুমাং লীলাসি মতম অমদদি হরাওবা ফোঙদোকপা, নুংঙাইবা ফোঙদোকপদা হেক হেক কৌনৈ। অদুনা হরাও কুম্মৈগী মনুং চল্লিবনি হায়বসি ইফোং ফোংই। কনাগী শ্বষ্টি পুজা, না হুৎপা, চাকচা হৈজানবা, থোং শঙ্গাবা, (তুরেল মথক্তা অনৌবা থোং য়াম্না কন্না শাগৎনবা মতম ওইবনা থোং শাবসি য়াম তৌই, অদুনা থিকাদারদুনা থোংদু শঙ্গাবা নুমিত্তা লীলা অমা থোং ময়ায়দা নৎত্রগা লম্পাক অমদা তৌবা হায়বসি চৎনৈ), স্কুল শঙ্গাবা (স্কুল শাগৎনরকপা মতমগী ৱানি, হৌজিক্না স্কুল থুগাইবা, স্কুল পুনশিনবা ওইনা তৌরে, মতম অমদদি স্কুলসি য়াম্না শারম্মী, মসিগী শঙ্গাবদসু থিকাদারনা লীলা অমদি শোয়দনা কৌরে), যূম শঙ্গাবা (অনৌবা যূমশা মওংদা মী অয়াম্বা যূম শাগৎনৈ। মমাঙঙৈ ঈনা কূপ্পা যূম, মৈতৈ যূমশাদগী, জিজ্ঘনা কূপ্পা যূম শিদোক্নদুনা য়াম্না শান্নখি, হৌজিক ঈগী যূম অমত্তা মৈতৈ লৈবাকসিদা উদ্রবনি, লোইনমক হান্নগী শিদোক্লগা অনৌবা শানরবনি, মসিগী হৌরকপা মতমসিদা যূম শঙ্গাবা হায়বসি নুমিৎ থা ফবদদি খ্বাইদগী কূংবা ওইখিবনি, মসিদদি শোয়দনা লীলা অমা তৌবা হায়বসি শোয়দ্রবা ৱানি), শঙ্গোই শঙ্গাবা, অঙাং মমিং থোনবা, লৈকায় চাক চান্নবা, মরুপকী চাক চান্নবা, কাং পাল্লিগী লীলা, নিংঙোল মচা পাল্লিগী লীলা, য়াওশঙ চাক চান্নবা, মতম অমদদি লৈকায় অমদা হায়রিবা কাঙলূপশিং অসি শোয়দনা কুম অমগী য়াওশঙ লাকপদা চাক চান্নরম্মী। অদুনা লৈকায় অমদা লীলাসি মরি মঙাদি শোয়দনা য়াওশঙদা তৌরে), সরস্বতি পুজা (স্কুলদা কোলেজদা শোয়দনা তৌনরম্মী, স্কুলদা ক্লাস মচাদগী অচৌবা ফাওবদা সরস্বতি পুজা তৌদ্রদি স্কুলদু চাওখৎতবনি হায়না লৌনবা মতম অমা লৈরম্মী। অদুগা ওজাশিংনা অঙাংশিংদগী লুপা-লুপা নৎত্রগা মখায়-মখায় অমা খায়রগা লীলা কৌবসি চৎনৈ, হেক তৌদবদা লৈকায়, লমদুগী মীশিংনা ওজাশিং অদুবু চৈবি, লীলা তৌবা ঙমদ্রবদি ওজা ওইরুরনু হায়না), বিশ্বকর্ম পুজা (মসিসু কনাগী ৱার্কশোপ অমবু লীংলবদি শোয়দনা তৌদবা য়াদবা অমনি, বিশ্বকর্ম পুজাদা চাক তৌরবা, লীলা তৌরবদি গাড়ী শেম্বা মী য়াম্না চঙলম্মী, ৱার্কশোপ্তু মমিং চৎলি খন্নে), লুহোংবা (মসিসু মফম খরদদি য়াম্না তোয়না তৌই। ঐখোয়সু য়াম্না থেংনরকই, কৈন্যানা পাম্বা, কৈন্যাগী কাঙবুনা হায়রকপা লীলা অমা বর ময়ূমনা কৌরগা কৈন্যাগী লুহোংদৌরিবা শুমাংদা শান্নগদৌরিবনি) অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিংদা শুমাং লীলা অমা তৌবা হায়বসি য়াম্না লেম্নবা, চাওখৎপা অমদি নুংঙাইবদা মপূং ফাবা ওইনা খন্নে। অদুগুম্বা মতমদুদা শুমাং লীলাগী কাঙবুসি কয়াগী মতিক চিল্লমগনি। লীলাগী পার্টিসু মশীং ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। লোইনমক লীলা নুংঙাই, লোইনমক লীলা চৎলি। হৌজিক্না পার্টি অমা-অনী-অহুমদগী হেনদ্রে।

য়াম্না নুংঙাইরিবদি, শুমাং লীলা অমবু তৌরবদি, মী খৎনবসু অদুম শোয়দনা তৌরে। অদুনা মী খৎনবা থিংনবা ফোর্স অমা হান্না শেম্মী। মসি হৌজিক্কী মতমগী মীনদি কয়াবু থাজররোই, মতমদু নাওরি পায়বা, খুগি য়েপ্পা, থাঙ মচাদগী অচৌবা য়েপ্পা, জম্পু হায়দুনা গাড়ীগী চ্যেননা খ্বাংদা য়েৎলগা পেটিদৌনা ফাবা মতম অমা লৈরম্মী। মদু শৎল-শৎলগা মীঙোন্দা কনবা, থাঙনা থিনবা-য়ানবা, নাওরিনা কাপ্পগী মতৌ অমা লৈরম্মী। লৈকায় খুদিংগী মীনা লাক্ন-ফানবা ঙমদবা গুন্দা হায়না মীংথোনবা কাঙবু অমা লৈরম্মী। খৎনবসিসু মরম ইরৈ লৈতনা হেক্তা খৎনগনি। মমিৎ খানা য়েংলকই হায়বগীসু উশিৎত্রিরা হায়না হেক্তা খৎনবনি। খিত্তং কন্না নোকপগীসু খৎনৈ। খৎনফমসি য়াম্না লৈ। লীলা য়েংবদা লাংগনু হায়বগীসু, খূবাক হেন্না খূবগীসু, ৱা ৱা মখা তানা নোকপগীসু মরম অমা নৎত্রগা অমা হেক্তা থিদুনা শাওগৎনৈ। অদুনা পংখৎতা খৎনৈ, চুম্নগী খৎনবদা খূৎ য়াওনৈ। অদুগুম্বা মীশিংদুনা খৎনবা থিংনবা লীলা কৌরিবশিংনা লৈকায়দুগী খরা তৌবা ঙম্বা মীশিংদা হান্না হায়নৈ। লীলাসি কাইদনবা, মী খৎনদনবা খরা শেন্নবীয়ু হায়না। অদুনা মখোয় কাঙবুদুনা কোইনা চৎতুনা শেন্নৈ। থাঙ অশাংবা অমমম য়েপ্পী। থাঙ য়েপ্পী হায়বদু ইঙান ঙান্না উহন্নবা হোৎনৈ। থাঙবু য়েপ্পী হায়বা খঙলবদি মীনসু কিনৈ। অদুসু, খৎনবা হৌবা য়াওরিবনি। থাঙগা য়েপ্পদনা য়াম্না অফাওবনিনে হায়না, অদুদৈদি অদুম হৌরে খৎনবা। অদুনা লীলা শান্নবা, থাবল চোঙবা মফমসি মী য়াম্না খৎনগল্লি। অশোক অপন য়াম্না য়াওই। অসিগুম্বা য়াম্না ঈরাং লৈরিঙৈ মতমসিদা শুমাং লীলাসি চেরিটি তৌবা হায়দুনা অমা অমুক কন্না চৎনবা হৌরকই। মসিগী মরমদি মথক্তা পঞ্জখ্রিবা হরাও-নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী থবক অসি খরা খরা লেপ্পরকপা মতমসিদা শুমাং লীলাদি য়াম্না য়েংনীংবা, অদুগা কৌবীনবা মীদি লৈরক্তবা মতমদা, লৈকায় লৈকায়গী ক্লবকী মেম্বরশিংনা মীয়ামগী অপাম্বা য়েংলগা মখোয়গী ক্লবকী ফন্দ দ্রাইভ তৌনবগীদমক মীয়াম্না দিমান্দ লৈবা লীলা কৌদুনা চেরিটি তৌবনি। মসি কন্না চৎনরকপা ওইখি।

নোংমা য়াইরিপোকলোমগী মফম অমদনি, মতমদু মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা ইলেক্ট্রিক য়াম্না মরাং কায়না ফংদে। অদুনা নুমিৎ হেক তাখিবদা পুংম্মম মম্মী। লীলা তৌদৌরিবা মফমদুদি পেত্রোমেক্স নৎত্রগা হাল্ফলেম্প থানবনিনা মফম অদুখক্তনি ঙাল্লিবা। জেনরেটরগা ঙংনদুনা মৈ থানবা হায়বসিসু খরা থেংথরবা মতমদনি। জেনরেটর কয়া লৈনবা মতম নৎত্রি। ঐখোয় লীলাদু শুমাং অমদা শান্নবনি। শুমাংসু মতমদুদদি য়াম্না য়াম্না চাওনরম্মী। কনাসু যূম অমগা যূম অমগা শম্বল খানদে। অদুনা শুমাং অহুম মরিগী অপাকপা অদুদা থাবল চোঙবা, লীলা তৌবা হায়বসিদি কৈসু নত্তে। অদুম চল্লি। অদুনা লীলাদু শুমাংদা শান্নে। লীলা লোইরকপগী মী থোক্নখিবা মতমদা ঐখোয়গী মিনি বস খাল্লিবা অমম্বা মরক অদুৱাইদা মী অমা মঙক্তা থাঙনা য়ান্দুনা তারগা লৈরম্বা উবদা মী ময়ামদু লীলা শান্নফমলোমদা গুরুং গুরুং চেনশিন্নরকখি। মী অশিবা অমা লৈরে হায়দুনা। ঐখোয় মতমদুদা মেক-অপ থাদোক্নরগা, ফি হোংনরিবা মতমনি। ঐখোয়সু থোক্লগা য়েংলুবদা মী অশিবা অমা শম্বল ময়াদা তাদুনা লৈরম্মী। থাঙনা মঙক্তু য়াম্না শাথীবা মওংদা য়ানবনি। ঈনা পুমঙাং ঙাংখৈ লৈমায়দা চেন্দুনা লৈরম্মী। মদু য়াম্না অকিবগী মশকনি। নোংমসু লীলা লোইরকপদা থাঙনা থিল্লম্বা মী অমা ঐখোয়না হোস্পিটালদা পুখৎপীখি। মীদু য়াম্না ফিভম শোক্না থাংনা থিনবনি। মবুক্তা ফি নমশিল্লগা হোস্পিটাল ফাওবা থিল্লি। ঐখোয়দি মখা লীলা লৈবনা অদুম হল্লকখি। লীলা মফম অয়াম্বদা মী খৎনবসি য়াম্না তোই। লীলা শান্নরিঙৈ ময়ায়দা চেনথোরক্লগা ফূনবদগী থাঙ য়াওনরক্তুনা ঐখোয় লীলাদু লেপ্পগা মোই খৎনবদুনা ময়াম ময়ায়দুদা লীলা ওইনা থাঙ থিন্নবা ঐখোয় মীৎমক্না উরকখি। নোংমৈনা কাপ্পসু থেংনরকখি। অদুদা নত্তনা আর্মিনা লীলা শান্নরিঙৈদা ময়ায়দা থোরক্লগা, লীলা লেপ্পো হায়না লেপহল্লগা, মী ময়ামদুদা নোংমৈ শীংলগা কনা অমত্তা হৌগৎপা য়ারোই, লেঙদনা লৈয়ু হায়রগা আর্মি ময়াম চঙশিল্লক্তুনা জোরো অমা পুরক্লগা লীলা য়েংদুনা ময়ায়দা ফল্লিবা মী অনী ফারগা পুখিবগী থৌদোক অদু কয়া কিখি। য়াম্না ফরক তাখিবা থৌদোক ওইখি। অমুকসু নুংথিলদা লীলা অমা লৈশাবীশিংনা য়াওশঙগী কৌদুনা শান্নরিঙৈদা পুলিস কম্মান্দো, আর্মি ময়াম লাক্লগা লীলা লেপহল্লগা ময়াম মরক্তুদা দাইরেক্ট গ্রোং গ্রোং চঙলক্লগা মীদু ময়াম মমাঙদুদা তমথীনা ফূরগা ফাখিবা, মদুদগী লীলা কায়বগী থৌদোকশিং য়াম্না থোকখি। অমুক্না, লীলা কন্না শান্নরিঙৈদা নহারোল ময়াম লাক্লগা লীলা লেপহল্লগা মখোয়গী ৱারোল খরা য়াম্না থুনা মাইক্রোফোন্দা পাথোক্লগা পীনীংলিবা পাউজেল অদু মীয়ামদা পীরমখি। অদু লোইরগা লীলা মখা চথরো হায়না হায়খিবা ওন্থোক্না নাতৈ চাদবা কয়া অমা থংনখি। লম্বীদা হল্লকপদা নহারোল ময়াম অমা থেংনবা, মখোয়বু থিল্লম্মু হায়না হায়বা মফমদা থিনখিবা। আর্মিনা অমুক ঐখোয়বু চেক তৌখিবা, শিফম নাফম য়াম্না য়াওখিবনি। অঙকপা ঙাক্তনি। য়াম্না শাথী শাথীরবা কয়া ঐখোয় থেংনরকখি। ●

# উরুরগা কল্লক্তবা ঙমদেদো

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

অতোপ্পগী অফবা, নুংঙাইবা উরুরগা কল্লকউবা, পামজরুবা, ফংনীংলুবা হায়বসি ঐখোয় মীওইবগী হৌনশানি। টাইৱান্দা লৈরিবা মীচম মীয়াম্না ফংলিবা কান্নবশিং অমদি পুন্সি মরেলসি, মরু ওইনা অনা লায়েংশঙনচিংবদা ফংলিবা কান্নবশিং অসি উরুরগা। করিগীসু কল্লক্লোই ইরমদমদা অৱা অনা নংলিবা ইরৈচা কয়া অসি উরুরগা। য়েংবীয়ু ময়াম্নসু হেন্না খঙবী-উবীরিবা ৱাফমনি। ইরমদমগী লৈত-লায়র কয়াদা অনা অয়েক য়াওরকপদা লায়েংবা ঙমদবনা মরম ওইদুনা শিবসু ঙমদা, নীংথিনা হিংবসু ঙমদা কয়া ৱানা ৱানা লেল্লিবা।

লৌ-ইঙ্খোল লৈজবা ইমুং খরা অমনা মখোয় মখোয়গী লৈজবা লৌ ইঙ্খোল য়োন্থোক্তুনা অৱাবা তারবা ইমুংগী মীওই অদুবু কন্নবা হোৎনরি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা মখোয়না লৈজরিবা ময়ূম ফাওবা ফদ-ফরক্লবদি হায়দুনা য়োন্থোক্তুনা লায়েংনরি। অদুবু লাইবক থীবদি ইমুং কয়া অমদি অরৈবা খুদিংমকসু য়োন্থোকখিবা অদুগা নুংশিরবা ইমুংগী মীওই অদুবু কনবা ঙমহৌদবা কয়া অমা য়াওরি।

করম্বা ইমুংনবু মখোয়গী নুংশিজবা ইমুংগী মমা, মপা, মচা, মশুশিংবু কন্নিংলোইদগে। নুংশিবা অদুনা মরম ওইরগনি ইমুং কয়া অমনা তুংদা অৱাবা তারক্কনি খঙনা খঙনা মখোয়না লৈজবা পূম্নমক য়োন্থোক্তুনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংবু কন্নবা হোৎনরিবা। পুন্সিদগী হেনবা করিবু লৈরিবগে।

লৌ, ইঙ্খোল, সনা-লুপা, লন-থুম খরা লৈজবা ইমুংশিংদি খরবু ফরিনে। লৌ, ইঙ্খোলদি লায়রদনা ময়ূম ফাওবা নিংথি নুংঙাইনা শাবা ঙমজদবা চরা নাম্মা চারগা হিংজবা ইমুং কয়া অমসু লৈরি ইরমদম কংলৈপাক্তা।

অসিগুম্বা খম থেংনা ৱারবা ইমুং কয়া অসিদসু অনা অয়েক য়াওরক্লিবনি। টি ভিদা, সোসল মীদিয়াদা হেক হেক উবা ফংই অসিগুম্বা খম থেংলবা ইমুংশিংদা অনা অয়েক য়াওরক্তুনা হীদাক ফাওবা লৈবা ঙমজদবা কয়া। অসিগুম্বা ইমুং কয়া অসি উরুবদনি থম্মোয়সে হেক হেক কায়রিবা। অদুবু করি পাম্বৈদি লৈ ঐখোয়না শেঞ্জাও পায়বা মীওই ওইদুনা মখোয়বু মতেং পাংবসু ঙমদে। অসিগুম্বা অনা অয়েক নংদুনা অৱা অনা তারবা ইমুং কয়া অসিগী ফীভমসি উবদনি টাইৱান হায়রিবা ঈথৎ অসিদা মীচম মীয়াম্না ফংজরিবা কান্নবশিং, মরু ওইনা অনা লায়েংগী লম্দা ফংলিবা কান্নবশিং।

নহান ফেব্রুৱারী ২১দা ইচা অতোনবা বুং বুংগী ওই থংবা চুবাদা খরা নারকই হায়দুনা মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা পুদুনা য়েংথোক্লুই। ইচা বুং বুংনা মমিং মথা কম্প্যুটরদা ইশিল্লিঙৈদা ঐহাক্না কোয়না লৈদুনা য়েংই হোস্পিটালদুদা তৌরিবা খুদিংমক। অসুক্কী মতিক কল্লকচৈ উরুবদা।

হোস্পিটালনি হায়জবগী ৱানি ফাইভ ষ্টার হোটেলদা চঙবগা চপ মান্নে। মনম মহাকা অমত্তা নমদে। অদুগা লৈরিবা হোস্পিটালগী ফ্লোরশিংসু অসুক্কী মতিক নান্না থম্মী মদুদি খোঙউপসি খরখিৎ মোৎলবদি চঙবদা নুংঙাইতবা ফাওই। হায়বদি অসুক্কী মতিক নান্না থম্বনিনা। হোস্পিটাল খুদিংমক অনা অয়েক তারবা অমদি মখোয়গা লোয়নরকপা মীওইশিং অসিনা চান্ন-থক্নবা অমদি লায়েংগী ওইবা পোৎলম কয়া য়োনবা দুকান, রেষ্টুরেন্টনচিংবা লোইনা থম্মী। লায়না খঙদোক্লবা মতুংদা অনাবশিংনা চাননবা হীদাক অদুসু তোঙান্না হাংদোকপা কাউন্টর অহুম মরিদগী লৌথোকই হেল্থ ইন্সুরেন্স কার্দ উত্তুনা। হোস্পিটাল খুদিংমক মখোয় মখোয়গী পার্কিংসু থম্মী। হোস্পিটালদা চৎলি হায়বগী ৱানি মনুং হেক চঙবদা ফাইভ ষ্টার হোটেল মনুংদা লম কোয়বা চৎপদা হোটেলদা চঙবদুগা চপ মান্নে। মসিনা মরম ওইদুনা ফনা নারবসু য়াম্না থুনা ফরক্কদবা মাল্লি। মসিদবু কল্লক্লোইদবা মী লৈরোই।

টাইৱান হায়রিবা ঈথৎ অসিদা ইনাকখুনবসু ওইসনু, লায়রবসু ওইসনু মীওই খুদিংমক নেসনল হেল্থ ইন্সুরেন্সকী মখাদা ইন্সুরেন্স লোইনা য়াওই। মীওই অমত্তা চিথবা য়াওদে। মসিগী হেল্থইন্সুরেন্স পীবগী সোসল ৱেলফ্যের সিষ্টম অসিনা মরম ওইদুনা টাইৱান্দা লৈরিবা মীওই অমত্তা লায়েংবা ঙমদনা অৱাবা তাবা য়াওদে। মীপূম খুদিংমক নেসনল হেল্থ ইন্সুরেন্স কার্দ পায়বনা করিগুম্বা হকচাং নুংঙাইরক্তবা য়াওবদা ক্লিনিক্তা নৎত্রগা হোস্পিটালদা চৎতুনা লায়েংথোকপা য়াই অমদি হীদাক্লচিংবা লৌবা য়াই। অসুম্না য়েংথোকপদা চঙলিবা শেল হায়ববু মিংজল শেল খরা পীরগা লোইরে। হীদাক লাংথক্কী অমদি লায়েংবগী শেনফমদি ইন্সুরেন্স কম্পেনিনা লোইনা পীগদৌরিবনি।

লায়েংবা অমদি হীদাক লাংথক লোইনা লেম্না ফংবগুম ফংলিবা অসিগী মথক্তা অমুক্কা হেন্না থম্মোয়দা নুংঙাইবা পোকহল্লিবদি হোস্পিটালশিং অসিদা থবক তৌরিবা ডাক্তরশিং, নর্সশিং, ষ্টাফশিং অদুগী য়াম্না নোল্লুক্না চৎচবা অমদি মথৌ নীংথিনা তৌজবা অদুনি। হায়নবা, ইন্নবা, লাউনবা হায়বগী ৱাফম লৈতে। মাগী মাগী পালি (টর্ন) য়ৌরকপদা অমসু অমসু লোইনা মথং মথং য়েংলিবনি লায়র-ইনাকখুনবা খায়দনা। অসুম্না য়াম্না নীংথিনা অনাবশিং অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংবু লূম্না লৌদুনা মথৌ তৌবগী চৎনবীসি লৈ হোস্পিটাল অমদি ক্লিনিক খুদিংমক্তা। মসিগী মরু ওইবা মরমদি মখোয় মখোয়গী ক্লিনিক অমদি হোস্পিটালশিং অদুদা কষ্টমর য়াম্না লাক্তুনা লায়েংনবনি। লায়েংবা লাকপীদ্রদি শেল তানবা য়াদবনিনা।

য়াম্না অমুক নুংঙাইবা অমনা প্রাইভেট ওইগেরা, গভর্ণমেন্টকী ওইগেরা লায়েংবগী শেনফমদি চপ মান্নে, সিকি অমা খেন্নদে। ঐখোয় ঐখোয়দা নক্নবা, চান্নবা অমদি ফগদবা য়েংদুনা করম্বা হোস্পিটালদা য়েংসিগে হায়না লেপ্পে। ক্লিনিকসু মদু মঙাই। ক্লিনিক অমগা ক্লিনিক অমগা লয়েংবগী মীংজল শেল চপ মান্ননা লৌই। মসি টাইৱান লৈঙাক্না লেপ্পী। লৈঙাক্না লেপ্পদগী হেন্না, তানা লৌনদে।

অদুবু অৱাবদি ইরমদমদদি মীয়াম্না নেসনল হেল্থ ইন্সুরেন্স পায়নদবনা প্রাইভেট ওইবা হোস্পিটাল নৎত্রগা ক্লিনিক্তা য়েংলবদি লোইরে শেনফমদি। প্রাইভেট হোস্পিটালগা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালগা অসুক্কী মতিক খেন্নখ্রে লায়েংমলসি। অদুগী মথক্তা প্রাইভেট হোস্পিটালশিং অসিসু মখোয় মখোয়না লেপ্পীংবা লায়েংমল অদুম লেপ্পী হায়না সোসল মীদিয়া অমদি পাউচেশিংদা তাই, উই। মরম অসিনা হায়রিবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদি ক্লিনিকশিং অসিদি ইনাক কৈরাক খুনবা, শেল পায়বা ইমুং খক্তনি লায়েংবা ঙল্লিবা।

লোইশিল্লকপদা হায়জনীংলিবা ৱাফমদি, করিগীদমক ইন্দিয়া হায়রিবা লৈবাক অসিদা মীচম মীয়ামগী খনবীদুনা নেসনল হেল্থ ইন্সুরেন্স থম্বীদ্রিবনো হায়বসিনি। লমদম অসিগী মীচম মীয়াম্না মশা মউ ফনা লৈবা ঙমদ্রবনা লৈবাক অমনা মতৌ করম্না চাওখৎপা ঙমগদৌরিবা। ইন্দিয়া চাওখৎহনসি, ইরমদম কংলৈপাক চাওখৎহনসি হায়রবদি মীচম মীয়াম্বু নেসনল হেল্থ ইন্সুরেন্স কার্দ পীবিদুনা তিঞ্জং কায়জংদবা মশা মউ ফবা সিটিজেন অমমম ওইহননবা লৈঙাক্না হোৎনফম থোকই। অদুবু ইন্দিয়াগী অমদি ঐখোয় ইরমদমগী লৈঙাকপশিং, পোলিটিসিয়নশিং অসিদি মখোয় মখোয়গী ফুরিৎখাও থন্নবা হোৎনদুনা লৈরে, অৱাবনি। হংদবা ঙমদে করম্বা মতমদা টাইৱানগী মীচম মীয়াম্না ফংলিবা নীংথিজরবা সোসল ৱেলফ্যের সিষ্টম অসি ইন্দিয়া অমদি ইরমদমদা য়ৌরক্কবা? ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।